ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ
ইরৈবাক

২১ শুবা চহি ৫১ শুবা মশিং | ইম্ফাল, মার্চ ১৮, ২০২৩ লমতা ২৬ নি পানবা থাংজ | www.ireibak.in | লুপা ২.০০

থাংজ নুমিৎ ছুটি ওইরোই

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মার্চ ১৮ অমসুং মার্চ ২৫ থাংজ নুমিৎ অসি লৈঙাক্কী ওফিসশিং য়াওনা পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং, কোপোরেসন ওতোনোমস বোদি অমদি সোসাইটিশিং অসি ছুটি ওইরোই হায়না মনিপুর লৈঙাক্কী জি এ দিগী দিপ্যুতি সেক্রেটরিনা ঙসি মনিপুর গবর্নরগী মীংদা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অদুদা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০২২-২৩ গী থবক য়াম্না চিনবা মরম্না থাংজ নুমিৎ অসি মনিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পব্লিক সেক্তুর অন্দর টেক্কিংশিং য়াওনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং ছুটি ওইরোই হায়না পল্লি। পনবা য়াবদি থাংজ নুমিৎ অসি মনিপুর লৈঙাক্কী ওইনা ছুটি হান্না লাওথোকপা লৈখ্রবনি।

NRC
Peaceful Demonstration Demanding the Implementation of
NATIONAL REGISTER OF CITIZENS (NRC)
in Manipur
Organised by: AMSU, MSF, DESAM, KSA, SUK, AIMS & ANSAM

মনিপুরদা এন আর সি চৎনহল্লু ফোরেষ্ট কল্লু হায়না দিল্লিদা খোঙজং চংশিনখিবা

এন আর সি চৎনহল্লু মীতোপ্তগী ফোরেষ্ট কল্লু হায়দুনা দিল্লিদা খোঙচং চংশিনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মনিপুরদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) চৎনহল্লু হায়দুনা ঙসি নুংথিল মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় লুপকী লুচিংবশিংনা দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদু মহৈরোয় লুপ এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক, এইমস অমসুং হৈরোয় লুপ অমা য়াওনা পুন্না মহৈরোয় লুপ ৭ না দিল্লিদা লৈরিবা মনিপুর ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন দিল্লি (মসাদ) ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল, থাদৌ ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন দিল্লি অমদি য়ুনিকাসকা খুৎশম্নরগা চত্থখিবনি।

নিউ দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মনিপুরদা এন আর সি অথুবদা চৎনহল্লু, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংদগী মনিপুরগী প্রোটেষ্টেদ ফোরেষ্ট অমদি রিজার্ব ফোরেষ্টতা এনক্রোচ তৌরক্লিবা অসিদগী কনবিয়ু হায়না ইবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী লুচিংবা চান্দ মীতৈ পোৎশংবমনা নোর্থ ইষ্ট লাইভতা ফোংদোকখিবদা মনিপুরদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কয়া লেপ্তনা চংশিল্লক্লিবা অসি থিংননবা নেস্নেল রেজিষ্ট্রার ওফ সিটিজেন্স অসি চৎনহনবা য়াম্না মরু ওই। মনিপুর অসি মপান লৈবাক ম্যান্মারগী ঙমখৈগা তাইনবদা লৈবনি। ম্যান্মারগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কয়ামরুম মনিপুরদা চংলক্তুনা খুন্দা লৈতারি। হৌজিক ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কয়ামরুম খুন্দাদুনা লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অসিনা মনিপুরদা পাক শন্না পোপি পাম্বী থাবদা নত্তবনা মনিপুরগী য়েলহৌমীনি হায়জরি। মসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী য়েলহৌমীশিংদা য়াম্না চাওনা অকাইবা অমা পিরক্লি। মরম অদুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অসি খন্দোকপা অসি য়াম্নামক তঙাইফদে। মখোইবু লোগী মতুং ইন্না মরমদমদা হলহনখিগদবনি।

মহাক্না হায়, মনিপুরদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স চৎনহল্লু হায়দুনা মনিপুরগী মীয়াম্না মতম কুইনদগী লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক ফাওবা সেন্টরদগী রেস্পোন্স অমত্তা ফংদ্রি। দিমান্দ অসি অনৌবা অমা নত্তে। কুমজা ২০১২ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিৎ শাহদা মেমোরেন্দম পিশিনখ্রবনি। অদুবু এন আর সি চৎনহন্নবা সেন্টরদগী রেস্পোন্স ফংদবদগী সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তকশিনখিবনি হায়খি।

কে এস এ গী লুচিংবা বিদ্যানন্দনা হায়খিবদা মনিপুরদা এন আর সি চৎনহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদ্রে। ইন্টরনেস্নেল বাউন্দরিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ম্যান্মারদগী মীওই কয়া লোগী ৱাংমদা মনিপুরদা চংশিল্লক্লি। কন্সটিট্যুস্নেল নোর্মস, এন আর সি প্রোভিজনগী মতুং ইন্না মনিপুরদা এন আর সি চৎনহনগদবনি। নিয়মগী ৱাংমদা চংলকখিবা মীতোপশিং অসিনা মনিপুরগী উমংশিংগী শরুকশিংদা খুন্দাশিন্দুনা উমং কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী থারি হায়খি।

পনবা য়াবদি মহৈরোয় লুপ তরুক অসিনা থা অসিগী ১৩ দা মনিপুরদা এন আর সি চৎনহল্লু হায়না তকশিন্দুনা চিফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অমসুং রাজভাবন্দা থোমজিন্নবদা পুলিসকা চাওনা মুক্নবা থোকখি। লোইননা হৌখিবা কুমজা ২০২২ গী আগষ্ট ৫ দা মনিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মীফমদা মনিপুরদা ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিসন লিংনবা অমদি এন আর সি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ৱার ওন দ্রগতা লৈঙাক্না কমপ্রোমাইজ তৌরোই – সি এম

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মনিপুর লৈঙাক্না হৌজিক চংশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগ কেম্পেইন অসি অনৌবা মাইওন অমদা লাক্লি। মীয়ামগী মতেং অমদি মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ শিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। লোয়ননা পুলিস পার্সোনেল অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ৱার ওন দ্রগ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। ৱার ওন দ্রগ কেম্পেইন মায়পাক্না চংশিল্লকপা অসিদা লৈঙাক অসিদা য়াম্না চাওনা শিংনবা অমা লাক্তবদি নত্তে। অদুবু লৈঙাক অসিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েৎতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি। চিফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা মীয়াম্না দ্রগকী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থওইনা শিংনবা অমগা লোয়ননা চংশিল্লকপসু য়াওদবা নত্তে। ঙসি নাবকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমসুং সাইখুল পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পার্সোনেলশিংগা লোয়ননা সাইখুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওল্ড বোলজাং ভিল্লেজদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ম্যান্মারদা শিজিন্নবা গারি কেনবো বাইক অনি ফংখি। হায়রিবা কেনবো বাইক অদু পোপি মরু পুশিল্লকপদা শিজিন্নবা গারিনি হায়বা খংবা ঙম্লে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওং চত্থরক্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা চত্থরিবা ৱার ওন দ্রগ কেম্পেইনগী মায়োক্তনি।

ঙরাং অয়ুক পুং ১১ হেল্লকপদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস নাব, এম আর, আই আর বি, অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী কাংবুনা কাংপোকপিগী এস দি এম গা লোয়ননা ওল্ড বোলজাং ভিল্লেজদা একর ১০ দা থারম্বা পোপি পাম্বী য়ান্থৎখি। লোয়ননা ঙসি মখা তানা একর ৮ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখি। মদুদা মীফা মীপুন লৈখিদে।

নাবকী কাংবু অমনা পুলিস কম্মান্দোশিংগা লোয়ননা ঙসি মীওই ২ ফাগৎখি। মীওই ২ অদুদি ঙমগিনসৈ সিংসোন, চহি ২০ থেলজাং ভিল্লেজদগীনি। লেলেন খোংসাই চহি ১২ ওল বোলজাং ভিল্লেজদগীনি। ৱাহং পাউহং চত্থবদা মখোয় অনি পোপি পাম্বী থাবদা চেন্নবনি হায়বা খংবা ঙমখি। মখা তানা থিজিনবদা কেনবো বাইক অনি সিঙ্গল বেরেল ২, পোপি মরু কে জি ২০.২৭ ফাগৎপা ঙম্লে। মখোয়না অনক্লাসিফাইদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা হৌখিবা চহি খরদগী পোপি পাম্বী থারকই হায়বা খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা তৌগে য়াওনা তৌরক্লিবা অসিদা লৈঙাক্না য়েংদুনা খক লৈথোক্লোই। লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়রি।

গারিনা থোন্নম্বদগী লৈখিদ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ঃ থা অসিগী ১৫ গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা খোংজোম খেব চীং হায়জিনফম মপাদা শকখংদবা গারি অমনা থোন্নম্বদগী হৈরোক পার্ট ৱান মমাং লৈকায়দগী লাইশ্রম তম্ফা চহি ৬৫ লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। গারি অদু লোৎখ্রে। মীশি অসিগী মতাংদা লৈকায় মীয়াম্না জে এ সি শেম্বগা লোয়ননা থোন্নল্লিবা গারি অমদি মীওই অদু থা অসিগী ১৯ ফাওবদা লৈঙাক্কী মরি লৈনবা ওথোরিতিশিংনা পুথোরক্কবা তকশিনখ্রে। গারিনা থোন্নম্বগী মায়োক্তা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমসু ফমখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এ সি গী প্রসিদেন্ট জাদুমনিনা হায়খিবদা লৈখিদ্রবা তম্ফা সাইকল অমা থৌরগা খোংজোমদা পুং তিংনবা মচাক লৌবা চৎপদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট হোসিপ্টাল থৌবালদা লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

কোভিদ পেন্দেমিক মতুংদা মীয়াম্না ওর্গানিক পোথোক্তা হেন্না পাম্না শিজিন্নরক্লি – গবর্নর

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মালেমগী ওইনা মায়োক্নখিবা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী মতুং অসিদা মীয়াম্না অফবা চিঞ্জাক চাবা অমদি ওর্গানিক্কী পোৎলম শিজিন্নবগী চৎনবী অমা লৈরক্লি। ইন্দিয়া অসি নেচরেল ফার্মিংগী খ্বাইদগী ফবা সিস্টেমনি হায়না নিতি অয়োগনা খন্নদুনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসার্সনা মহৌশাগী ওইবা মনা মশিং থাবদা হেন্না পুক্নিং থৌগৎলি হায়না মনিপুরগী গবর্নর অনুসুইয়া উইকেনা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নেচরেল ফার্মিং ফোর রিভাইটেলাইজিং এনভাইরনমেন্ট এন্দ রেসিলেন্ট এগ্রিকলচর হায়বা থিমদা ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স অমা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি (কাউ) ইম্ফালদা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী গবর্নরনা হায়খিবনি। কনফারেন্স অদু হৌদোকপগা লোইননা মনিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ইনোভেটিভ ফার্মসশিংগা নেচরেল ফার্মিংদা পুথোকপা পোথোক্কী ইগজিবিসন অমসু হাংদোকখি।

গবর্নরনা হায়, কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক মতুং অসিদা মীয়াম্না হকচাং ফনা নাদ য়েক্তনা থম্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা চীঞ্জাক্তা হেন্না চেকশিন্নরক্লি। হার অমসুং পেষ্টিসাইদ য়াওদবা ওর্গানিক পোথোক্কী চীঞ্জাকশিংদা হেন্না পাম্নরক্লি। মরম অদুনা মীয়াম্না নেচরেল ফার্মিং তৌদুনা পোথোক পুথোকপা হায়বসি মথৌ তারক্লি। ওর্গনানিক্কী পোথোকশিং অসি কেমিকেল ফর্টিলাইরজ অমদি পেষ্টিসাইদ য়াওদে। মসিনা লৈবাক লৈহাওদা অমদি অকোইবগী ফিভমদা শোকহন্দে হায়খি।

গবর্নরনা মখা তারদুনা লৌউশিংউবগী অনৌবা টেক্নোলোজি লোইননা লৌউ পথাপ শিজিন্নরবদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লৌউশিংউগী পোথোক অসি হন্থরোই। চীং অমসুং তম্পাক্কী লৌফমশিং অসিদা ওর্গানিক ফার্মিং য়োকখত্তুনা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনসি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ওর্গানিক ফার্মিং চাওখৎহন্নবা হোৎনরি। মরম অদুনা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ওর্গানিক ফার্মিং অমদি নেচরেল ফার্মিংগী ওইবা মচাকশিং হাপচিন্দুনা হেন্না চাওখৎহন্নবা লেপ্তনা হোৎনবা তাই।

মহৌশাগী ফজবা অমদি তাংলবা মেদিস্নেল প্লান্ট কয়ামরুম লৈরিবা মনিপুরনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী তাদনা এগ্রিকলচরগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলবদি অৱাং নোংপোক ষ্টেট পুম্নদা এগ্রিকলচরগী ওইবা চাওখৎ থৌরাং পুরকপা ঙমগনি। ঙসিদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না লৌউশিংউবগী থবক্তা কেমিকেল ফার্টিলাইজর অমদি পেষ্টিসাইদ মরাং কায়না শিজিন্নরকপা লৌউরিবা লৌফম কয়াদা মীওইবগী হকচাংদা শোকপা য়াবা পোৎম কয়া লেপ্তনা পুথোরক্লি। গুজরাট অমদি হরিয়ানা য়াওনা ওর্গানিক ফার্মিংগী ওইবা অহোংবা কয়া খোঙথাং কয়া লাক্লিবা অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ওর্গানিক অমদি নেচরেল ফার্মিং মপুং ফানা পাংথোকপদা কনফরেন্স অসিনা চাওনা মতেং পাংলগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এ সাপম নিশিকান্তা, কাউগী ভাইস চান্সেল্লর দাক্তর অনুপম মিশ্রা অমদি কাউগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। নেপাল, বাংলাদেশ, সিঙ্গাপুর, থাইলেন্দ, জর্ম্মর্নিদগী দেলিগেটশিংসু শরুক য়াখি।

খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নিয়ম চুম্না ইগজাম পাংথোক্লি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেৎ ইগজামিনেসন ২০২৩ গী সেন্টের অমা ওইরিবা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাং ইগজামিনেসন অসি অহৌবা নুমিৎ ইংলিস সবজেক্ট থোকপদা য়াম্না ঈংনা তপ্পা নিয়ম চুম্না পাংথোকখি। সেন্টর অসিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি হায়না ইগজামিনেসন সেন্টর অসিগী ও সি সু ওইরিবা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল টি ঐচ রাধামনি দেবীনা হায়খ্রে।

মহাক্না হায়খিবদা ঙরাং ইগজামিনেসন হৌরবা মতুং অয়ুক তপুং ১১ রোম তারকপদা সেন্টর অসিদা মনিপুর য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন কৌবা লুপ অমগী ভলুন্টিয়ার ২ লাকখি। মখোইনা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা বোলেরো অমদগী লংশিল্লম্বনি হায়দুনা স্কুল অসিগী মনিং থংবা শরুক্তগী নোটশিং য়াওবা প্লাষ্টিক ময়োম অমা পুশিল্লকখি। প্লাষ্টিক ময়োম অদু মহৈরোয়শিংগী মখুৎ য়ৌদ্রিঙৈদা মাংহল্লসি হায়দুনা মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি।

ইগজাম লোইরবা মতুং ওঝাশিং য়ুম য়ুমদা হন্নরবা মতুংদা সেন্টর অসিগী ও সি। এ ও সি অমদি এস আই শিং বোর্দ ওফিস্তা লাক্লবা কৌরকপদগী বোর্দকী ওফিস্তা চৎখি। মতম অদুদা মনিপুর য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী ভলুন্টিয়ারশিং লৈরমখি। ভলুন্টিয়ারশিং অদুনা বোর্দকী ওফিসিয়েলশিংদা পাউদমখি। অদুবু মদুগী ওন্ন তৈনবদা নোটশিং অদু সেন্টর অসিগী টোইলেৎতগী ফংবনি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা মেদিয়াদা ফোংদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। স্কুল অসি মীংচৎ থিনবা শিনবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঙরাং অয়ুক পুং ৮.১০ দা সেন্টর অসিগী এস ও অমদি এ ওসি য়াওনা পুন্না পুলিস ষ্টেসন্দা চত্তুনা ক্বেসন লৌরুরগা অয়ুক পুং ৮.৪৭ তা ক্বেসন হাংদোক্লবা মতুং অয়ুক পুং ৯ নংনবা অমদি অঙাংশিংদা মতম চানা ক্বেসন য়েন্থোক্লবা শেম শাখি। ক্বেসন লৌরুবা অমদি হাংবগী মতম য়াওনা ভিদিও নমদুনা বোর্দতা থাখি। সেন্টর অসিদা ঙরাং ইগজামিসন হৌবদগী লোইবা ফাওবা বোসেমগী ইন্সপেক্সন তিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখি। থৌবাল এস পি না সিক্যুরিতি মতিক চানা থারক্তুনা য়াম্না ফজনা ইগজাম পাংথোকখি। ইগজাম ফজনা পাংথোকপগীদমক বোর্দকী লাকখিবা ইন্সপেক্সন টিম অদুনা স্মুথলি সার্টিফিকেৎ পীরমখি।

মহাক্না হায়, স্কুল অমা অমদি সেন্টর অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি মতুংদা তৌবিগনু। সেন্টর অসিদা ইগজাম থারিবা মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংনসু স্কুল অসিগী অকোইবদা ফমজিল্লগা লাংবা তৌবিগনু। মসিনা অঙাংশিং অমদি ওঝাশিংদা য়াম্না নুংঙাইহন্দে। ইগজাম অসি নিয়ম চুম্না মায়পাক্না পাংথোক্লবগীদমক মহৈরোয়শিংগী মমা মপা অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি খাঙবোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ইগজাম সেন্টর অসিদা কে এম ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় ৪১৭ না ইগজাম থারি। ইংনা চিক্না ইগজাম থারিবা সেন্টর অসিদা মতৌ করম্না করিগীদমক বোলেরোদা লাক্লগা নোট য়াওবা প্লাষ্টিক ময়োম অদু লংশিল্লম্লিবনো? স্কুলগী অকোইবদা মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিং ফমজিন্দুনা লৈবনা পুলিসশিংনা নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈখি। ঙসি অয়ুক ইগজামিনেসন সেন্টর অসিদা বোসেমগী চিয়ারমেন, সেক্রেটরি অমদি ইগজামিনেসন কন্ত্রোল্লরনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা স্কুল অদুগী অকোইবগী ফিভম য়েংশিল্লমখি হায়রি।

দ্রগকী ৱাথোক ফুরুপ খুদিংমক্কী ইকাইনিংঙাইনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ ষ্টেট অসিদা লোনা থিংখ্রবা ময়াই কাবা দ্রগশিং য়োনবা থিংনবা ষ্টেট লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা ৱার ওন দ্রগ চত্থরকখিবা চহি ৬ হেল্লক্লবসু নোংমা কাংদনা ময়াই কাবা দ্রগশিং ফাবা অমদি হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেৎ সেসনগী লোক সভাদা দ্রগকী ৱাথোক খন্নবা হৌরক্লিবা অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ইকাইনিংঙাইনি। থৌওং অসি ওল মনিপুর নুপী মরুপ্না য়াম্না হকচিন্না লৌদবা ঙমদে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোলদা হায়রি।

চেরোল অদুনা বি জে পি গী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগতা মায়পুন্না থৌদাং লৌরিবা পুলিস ষ্টেসন কয়াদা শেনগী মনা পিদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। ৱার এন দ্রগ মনুংসিদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা ফারবা অয়াম্বদি মশক খংদবা লোর্দ খরগী খুত্থাংদা কম্মিসন খরা পিরগা মখোইগী অপাম্বা সব এজেন্টশিংদা য়ৌহনবনি হায়বসি ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমদা ফোংদোকখিবা লৈখি। দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা ফাবা মশিং য়াম্লবা অশেংবা মপু (দ্রগ লোর্দ) কী মমিং ঙসি ফাওবা মীয়ামদা খংহনবা ঙমদ্রিবসিনা মখোইশিংদুনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রিবশিংগা অরোনবা মরি লৈনব্রা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না চিংনরিবা ৱাফম্নি হায়রি।

লোনা থিংখ্রবা খুৎলাই পায়বা লালহেলুপ অমগী মীওই অমা ফাবদদি মদুগী মখাদা থবক তৌবনি, ত্রেনিং ফংলবনি হায়দুনা মরি লৈনবা পুলিস ওফিসারশিংনা মেদিয়াদা ফোংদোকপা ঙম্নগা চাওরবা শেনফমগী দ্রগ ফারিবশিংগী অশেংবা মপু খংহনবা ঙমদ্রিবমখে ৱার ওন দ্রগ মায়পাকপা ওইথোক্লোই হায়বসি ওল মনিপুর নুপী মরুপকী অচেৎপা থাজবনি। মনিপুর খুন্নাই কন্নবা ফারবা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবশিং চুম্নতগী পুলিস কষ্টদিদা থম্বগী মথক্তা নার্কো এন্দ পোলিগ্রাফ টেষ্ট তৌদুনা অশেংবা মপু খংনবা হোৎনবা চুমগনি। ৱার ওন দ্রগ ২.০ লুপ অসিনা হনবা লৈতনা শৌগৎখিগনি হায়রি।

পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মনিপুর কঞ্জার্বেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ মপুং ফানা চৎনহন্নবা লৈঙাক্না থবক লৌখৎলিঙৈ ৱাংজিং খবাক খোংমনাক অমসুং নেস্নেল হায়ৱে ১০২ গী মনাক খাঙবোক এরিয়াদা নৌনা শাগৎলকপা বিল্ডিংশিং এস দি ও থৌবাল অমসুং থৌবাল পুলিসকী টিম অমনা ঙসি দ্রাইব চত্থদুনা য়ুমশিং অদুগী মপোৎ মচৈ কয়া ফাগৎখ্রে। দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখিবী এস দি ও থৌবাল এম রঞ্জিতানা হায়খিবদা কনাগুম্বা অমত্তনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লৌবুক্তা মখল অমত্তগী বিল্ডিং শাবা য়াদে। অথিংবা কয়া লৈনা শাজিল্লক্লিবা অসি লেপ্প্লিয়ু হায়খি।

মীয়ামগী নুমিৎ, হীল লিদর্স দে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিন্দুনা পাংথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ চৎলিবা মার্চ থা অসিগী মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং হীল লিদর্স দে থৌরম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরশিংদা পাংথোক্লখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং বিনিফিসরিশিংদা ফংহনখি। বিনিফিসরিশিংগী মায়কৈদগী থৌরম অসি পাংথোকপদা অপেনবা অমদি থাগৎপা ফোংদোক্লুরকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা ঙসি থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা মার্চ থাগী মীয়ামগী নুমিৎ মায়পাক্না পাংথোকখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার এ সুভাস অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংনা মীয়ামগী খুদোংচাদবা অমদি দিমান্দশিং অদু তাখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়খিবদা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসি লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং ফংহনবগা লোইননা মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম ফোংদোক্লুবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা মখা তারদুনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরি। থা খুদিংগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা কয়ামরুম লৌরি। মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা লোইননা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি। ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, সি এম ঐট টি কার্দ য়াওনা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবা ফংননবা মীয়ামগী মাইকৈদগী লাকখি।

ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা নিপুন ভারত মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী স্কুল ৫ দা প্রি প্রাইমারি ষ্টুদেন্টশিংগী টেবল অমসুং চিয়ার য়েন্থোকখি। মিসন অসিগী পান্দমদি অঙাং খুদিংমক লাইরিক হৈহন্নবনি। সি এম ঐচ টি কার্দ দিসএব্লিটি কার্দ ৫ সু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা য়েন্থোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সি এম ঐচ টি, পেন্সন স্কিম য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং পি ঐচ ই দি, পুলিস, এম এস পি দি সি এল য়াওনা পেন্দবগী মতাংদা অইবা ৱাকৎ চেরোল ১৩১ রোম পিশিল্লকখি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল ২১ হাংদুনা মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম য়েংশিনখি হায়রি।

মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মিনি সেক্রেটরিয়েৎকী পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টরদা পাংথোকখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার লৌরেম্বম বিক্রম, এস দি ও অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি। মদুদা মীয়ামগী মাইকৈদগী ৱাকৎ চেরোল ১৪০ রোম পিরকখি। বিনিফিসরিশিংদা রসন কার্দ, দিসএব্লিটি সার্টিফিকেৎ, বেঙ্ক পাসবুক, হ্বিলচিয়ারনচিংবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা য়েন্থোকখি।

চান্দেল দি সি কমপ্লেক্সতা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েৎকী মলটি পরপজ হোলদা পাংথোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ফুদফোর্টিফিকেসন প্রোগ্রাম অমা পাংথোকখি। চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ফুদ সেফটি ওফিসার ব্রোজেন্দ্রোনা হায়খিবদা প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পাংথোক্লগনি। লোইননা ফসাই রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকে ৩ য়েন্থোকখি। চান্দেলগী এদিস্নেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার এম দি ফিরোজ খাননা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখি।

উখ্রুলগী দি আর দি এ হোলদা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাংথোকখি। উখ্রুলগী এ দি এম না ইদুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা স্কুল ২৬ তা স্কুল য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখি। স্কুল ৬ তা হ্বাইট বোর্দ য়েন্থোকখি। তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী কান্নবশিং বিনিফিসরিশিংদা ফংহনখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিন্দুনা তুইবোংদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েৎকী মলটিপরপজ হোলদা হীল লিদর্স দে থৌরম পাংথোকখি। থৌরম অদুদা ফ্রি মেদিকেল চেক অপ পাংথোকখি। হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসকী খুত্থাংদা পোৎলম কয়ামরুম য়েন্থোকখি।

ৱার ওন দ্রগকী টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ এম এস এফ অমদি মহৈরোয় লুপ অমগা পুনশিল্লগা ঙসি লমদম অসিদগী দ্রগ মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা ষ্টুদেন্ট এন্টি দ্রগ টাস্ক ফোর্স অমা শেম্লে হায়রি। ইরমদম অসিদা ময়াই কাবা দ্রগনা মরম ওইদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা তুংলমচৎপু ঙাক্লক্কদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং য়াওনা মহৈরোয় অমসুং অহলশিং তপ্না তপ্না দ্রগনা লাঙ্গোই চল্লক্তুনা মাংশিল্লক্লি। অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা তুংগী মীরোলগী খন্দুনা ঙসিগী খুন্নাই অসিগী মীরোল অসি কনবা তঙাইফদ্রে হায়রি। মনিপুরগী লৈঙাক্না ইরমদম অসি দ্রগকী অরুবা ফিভমদা লৈরে। মরম অদুনা তিনজং কাইজংদবা খুন্নাই অমা পুখৎতবা য়াদে হায়দুনা ৱার ওন কেম্পেন হৌদোক্তুনা চংশিল্লকখিবনি। মহৈরোয় লুপ অনি অসিনা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগ ২.০ মপুং ফানা শৌগৎলি। মসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৯ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মাস রেল্লি অমা চৎকনি।

লুপ অনি অসিনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা দ্রগ মরু ফংনা মুখৎতুনা মহৈরোয়শিং তুংগী মীরোলগীদমক দ্রগক্কী মায়োক্তা চংশিল্লক্কদবা থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুদোংচানবা হায়দুনা ষ্টুদেন্টস এন্টি দ্রগ টাস্ক ফোর্স অসি শেম্বনি। মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু। তিঞ্জং কাইজংদবা ইরমদম অমা ওইহন্নবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মীয়ামদা ফোংদোরক্লি।

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা কনফরেন্স গবর্নরনা হৌদোকখিবা

হৈরোক পার্ট ৱানদগী মীওই অমা গারিনা থোম্বদা লৈখিদবগী মায়োক্তা জে এ সি শেমদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেন্টরদা পরিক্ষা নিয়ম চুম্না চৎথরি হায়না প্রিন্সিপালনা ফোংদোকখিবা